# ৱাবনা খম থেংলবা ইরমদম কনবদা নুপীগী থৌদাং য়াম্না চাওই



– মুতুম শান্তি –
(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

মমাঙৌঙেগী হৌখ্রবা পুৱারী নৈনজরুবদা মীতৈ ইমা থৌনা ফবী কয়ানা লৌরল্লিবা থৌদাং মালেমদা চাউথোকচনীংঙাইনি। অহানবা নুপীলাল কুমজা ১৯০৪, অনীশুবা নুপীলান ১৯৩৯দা য়েক্লবা কয়াগা মায়োক্লখি। হন্দক্কী কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি লালহৌবশিংনা মরাল শুক্লে লৈতবা মীতৈ মীচম মীয়ামদা মীহাৎ-মীপূন, য়ূম-কৈ কয়া মৈ থারক্লিবা অসিগুম্বা থৌওং কয়া মায়োক্লরি। ইমা লৈবাক্কী অমদি খুন্দামিন্নরিবা ফূরূপ কয়াবু চীকখোন নাওকোন্না, নুংশিনা য়েংবা চপ মান্নবা মীৎয়েং, ৱাখল্লোনবু মালেমগী মীয়াম্না মীতৈ নুপীবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবীরি। অদুবু লাক্লিবদি নাকল অমদা নুপী খরনা অমাংবা, ফত্তববু উনা-উনা নেৎপগী মমি তারি। মসি তুংদা অমদি মাঙদা অশোয়বা কয়া লাক্লি। ইমা লৈবাক কঞ্জনবা পোকপগী মহয় য়ানবা ওইহনসি।

ইমা লৈবাক কায়বা য়ারোই হায়না খূত্তা মৈরা পায়দুনা, কোক্তা কোকশেৎ থোংলিবী, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ পুল্লিবী থৌনা ফরবী ইমাশিংগী ঙসিগী মীরোল নুপী মৌনহাশিং, অহলগী মতম ওইরবী ইমাশিংদগী পাড়া মপূং ফানা খঙবীহৌ অমদি পাউতাক কয়া লৌবীহৌ। অহলশিংনা তুংদা হৌরক্লিবা মচা-মশুদা অফবা খক্তা হায়বীগনি, তাকপীগনি হায়বসি নহাশিংনা খন্থবীয়ু। লৈবাকসিদা লৈঙাকপশিংনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং করিদগী করম্না ওইরিবনো, লাকদবনা করিনো হায়বসিগী মতাংদা য়াম্না কূপ্না খন্ন-নৈনরবা তুংদা লাউথোকপীয়ু। ৱাখল খন্থদনা মীদিয়াদা ৱা ঙাঙথোকপনা তুংদা অশোয়বা লাকপা য়াই। চেকশিনসি হায়জবনি। লমদমসিদা মৌনহাশিংনা ফি ইনবা মতমদা হকচাং তঙ্খায় ইনবীগনু। ফিজেৎ চেকশিনবনা নুপীবু ইকায়খুম্নরি।

ইশাগী পার্টিনা মতেক-মতেক পানখিবা মতমদা লমদমসিগী করি-করি পাঙথোক্লম্বগে? অদুগা মপানগী, মীতোপকী পার্টিনা মতম শাংনা পানবা, লিশাং-শিৎনা তুংকোইনা লৈবাক ঙাকপগী সাসনসিদনা ঐখোয়বু করম্না হিংলিবগে হায়বসি নৈনফম থোকই। ঙল্লিঙে মতম কোংগ্রেসনা পাল্লিঙে মতমদা চাউরবা কবো ভেল্লি পীথোকখি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙলিবনি। অচৌবা মরম খরা পঞ্জগে- কবো ভেল্লি পীথোকপা; কুকি লালহৌবদা লৈবাক মীয়াম খঙহন্দনা 'সূ' এগ্রীমেন্ট পীথোক্লম্বা; ইচা লিশীং-লিশীং মরাল লৈজদবা কয়া হাৎতোকপীখি। বি জে পিনা পাল্লগা অমুক ফগদ্রা খল্লগা লমদমসিগী মীয়াম্না অমুক থাগৎচৈ অদুবু ঙসি লমদমসিদা থোক্লিবা থৌদোক অসিনি। পার্টি শিনবগী ৱানি মীদি অমত্তনি। মীয়াম মাঙদা লাউনরিবা মীহুৎশিংসি পার্টি অমত্তদা লৈমিন্নরম্বনি। চোংথোক চোংশিন তৌবা মী হঙোই ঙাক্তনি।

ঐখোয়না কনাবু থাজগদগে? মীয়ামগী মফমদা থাজবা লৈত্রবা মখোয়না লুচিংবা ওইহল্লুবদগী লৈবাক মচেৎ কয়া থোক্না কায়রক্লবগী মচাক ওইরি। ইশাগী পার্টি মরূ চঙ-চঙ লাউবা অমা ইরমদমসিগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা অহল-লমন অমদি নহাশিংনা শেমগৎ-শাগৎপীদুনা লৈবাক ঙাকচবনা লমদমসিগী মীয়াম পূম্নমক য়াইফগনি খঞ্জে। মতম শাংনা লৈরক্লবা ইরমদমগী পার্টি এম পি পিদি লৈবাক কনবগী ৱাখল মচেৎ অমা ফাওবা খনখিদ্রে। প্রসিদেন্ট ফম মুন্নবা, দুকান ভারা মুন্নবনা মখোয়গী মথৌ ওইরি। মশাগী ওইজবা থিবা, লৈবাক নুংশিবা ৱাখল লৈত্রবা মীওই ঙাক্তনি। অঙকপা ৱাফম কয়াসু থেংনজে। মদুদি এ সী কয়াগী মীয়াম্না মশাগী ইরমদমগী পার্টিবু নুংশিজদুনা ভোট কাহনখিবা মীহুৎনা লৈবাক্কী খন্দনা মশাগী ওইজবা থিদুনা নেসনল পার্টিদা চোংখিবা অসিনি।

মশাগী ঈজৎ লৈতবা, লৈবাক মীয়ামগী খন্দবা, চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা হিংবা জীব হঙোই ওইবনিনা, হঙোইনা ঙাকপা লৈঙাক তাদুনা লৈবাক অসি পুন্মাঙ মাঙলিবনি। পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোংলিবশিং মশাগী ওইজবা থিবা মীওইশিংনি হায়বসি মীয়াম্না খক কাউফদে। মশাগী ফিরেপ লৈজদবা মীওইদুনা কৈদৌনুংদা অফবা থবক্তি খক পাঙথোক্লরোই হায়বসি ময়েক শেংনা থমজরি। কখোকপা ঙম্বগী থম্মোয় চেন্দবা কৈবু কৈওইবা ঙাক্তনি। কৈবুই কৈওইবগী লৈঙাক ওইরকপনা ঙসি ঐখোয়গী ইচা কয়া হাত্তোকপীরি, য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদোকপীরি। ইশাগী ইরমদা ঐখোয়না ঙসিগী ওইরিবা শক্তমসিবু মালেমদা লৈরমগদ্রা?

মীতৈ মীচমদা লুমদুনা কুকিশিংনা নোংমৈ-বোম কাপশিনবা অসিবু থিংবা ঙমদবা লৈঙাক অসিবু কৈবুই কৈওইবা ময়াম অমা ওইবনা নৎত্রা? মীরমগী পার্টি ২২না ঐখোয়গী ইরমদমসি পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা হোৎনরি হায়বসি মীয়াম খঙমিন্নসি। নেসনল পার্টিগী কুম্মৈ শান্নফম ফম্বাক ওইহন্দবা হায়বসি মীয়ামগী ৱাখলদা লৈরিবনি। লৈবাক অসিগী মপুদি মীয়াম্নি। মীয়াম্না লৌরকপা ৱাফমনা খ্বাইদগী লূম্না লৌগদৌরিবনি। চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইনবা মীয়ামগী খূত্তা লৈ হায়বসি মীহুৎশিংনা খঙগদবনি। লৈবাকসি করম্না ঙাকপী-শেনবীগনি খঙদ্রবা মীয়াম্বু করম্না য়াইফনবা হোৎনগনি খঙদ্রবা ঙসিগী ফম্নাইবশিং অমুক হন্না মীরেপ ওইবা থোরক্কনু। লৈবাক মীয়াম্বু অৱাবা তারিবসি নখোয়না লৈঙাক হৈতবগীনি। নথৌ মশক খঙদবা 'হূইনা খোংগদবদা গধানা খোংলুবগী গধানা চৈ চাই' হায়বা অদুমক লৈবাকসিদা থোক্লি।

ঐখোয়গী মণিপুরদা শোয়রিবা খুদিংমক্কী অফ-ফত্ত মালেমগী মীয়াম্না খঙলে। ইলেক্সনদা শেল য়াম্না য়েনবদা মীয়াম্না ভোট থাদদুনা মীহুৎ খনবসি অতোপ্পা লৈবাক মীয়াম্না অঙকপা ওইরি। লৈবাক মীয়াম মশাগী হকপু য়োল্লিবা করিগীনো হায়বা ৱাহং কয়া হংলি। শেল য়েল্লিবা মীরেপ অদু খ্বাইদগী ফৎত্রবা মীওই অমনি হায়বসি ভোটর মীয়াম্না খঙদবা করিগীনো/ মীওই অদুনা কাখ্রগা অফবা লৈঙাক অমগী লম্বীদা খোঙদাররোই হায়বসি মীয়াম্না ৱাখল খন্থগদবনি। মালেম ইমাগী তম্পাকথক্তা মীয়াম্বু লল্লোনবনি। ঐখোয়গীদি লৈবাক্কীদমক কখোকপা ঙম্বা, শেল য়েন্দবা মীওইবু নাথৈদুনা থম্বী। শেল চাউনা য়েনবা মীরেপশিংবু অমুক হন্না মীয়াম্না মীহুৎ ওইদনবা ৱাখল খন্থমিন্নসি। কনানা অফবা ফত্তবা কূপ্না মীয়াম পূনশিন্দুনা খন্ন-নৈনহৌবনা মীয়ামগী তুংগী য়াইফবা ওইগনি।

মীয়াম্না লেপ্পা ৱারেপ্পা অচুম্বা, অফবা ওইগনি হায়বসি মীয়ামদা নীংশিংজরি। লৈবাকসিগী থবক থৌরম খিবিক্তা নুপীনা মাঙ থারি। মরম অদুনা নুপীশিংনা লৈবাক মীয়ামগী থবক থৌরম খ্বাইদগী লুরিবা ইলেক্সন শক্তি শিন্নবগী মাঙওইননা খন্ন-নৈনহৌবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। মীয়ামগী অৱাবসি করম্বা মীহুৎনা তাবীরিবগে? কুকি লালহৌবশিংনা খুঞ্জা কয়াগী য়ূম মৈ থাদুনা মীচম কয়া হাৎপা মতমদনা টেলিফোন 'স্বিটচ ওফ' থমখিবা মিনিষ্টর ইলেক্সন নকশিল্লকপসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মাগী-মাগী এ সীদা চাকলেন পীজবা হৌরক্লে। মীয়াম চেকশিনবীয়ু, ৱাখল খন্থবীয়ু অৱাবা তারবা মতমদা গেট ছো লোনখিবা কাউথোক্কনু।

মাঙদা তারিবা লৈবাক্কী লুরবা মতাংসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা করম্বা ৱাখলনা লৌশিংনা নুপী ঐখোয়না করি তৌসিগে হায়বসিনি। 'চিন ষ্টেট ওফ মণিপুর' হায়বা ৱাফম পুখৎলক্লিবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱিথদ্রো তৌরে হায়রিবা ৱাফম অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। লাক্লিবা ৱাফমসিদা পঞ্জনীংবদি মীখা পোন্না হিংলুবা সেন্টরদসু, ষ্টেটতসু দবল ইঞ্জিন্না পাল্লগা নুংঙাইরগনি খঞ্জরুবা মীৎকুপ্তুগী ফংজবা মহয়নি। ইশম শম্না হায়জরবদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ঐখোয়গী য়াইফনবা করিসু তৌরক্লোই হায়বসিনি। নিরগা হিংবা মীওই মপোকসিবু করম্না কোকহনসিগে হায়বসিনি। লায়রখ্রবা লৈবাক মীয়ামদগী নোংমগী লৌরিবা টেক্স ময়ামসি ঐখোয় হিংবা ঙমখিগদ্রা? নোংমদা ক্রোর-ক্রোর খোমগৎলি।


নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমদগী খ্বাইদগী চাউনা টেক্স লৌরি। চাকথোঙ গ্যাস, পেট্রোল, দিজল, হৱাই, অচাথাওনচিংবা কয়াদগী লৌরিবা, মমল তাঙনা য়োন্দুনা মীয়াম্বু ওৎপী নৈরিবী। অসিদসু নত্তনা লৈঙাক্কী অনা-লায়েংশঙ অমদি মহৈলোয়শঙ পূম্নমক করপসন্না পীক থনবা অমা ওইরি। জেনিমস, রিমস হোস্পিটালদা লায়রবা অনাবশিং খম থেংনা অৱাবা পীরি। ওপরেসন তৌগদবা অনাবা খুদিংমক ডাক্তরশিংগী খূৎচাবী প্রাইভেট হোস্পিটালদা পুদুনা লৈত-লায়রবশিং হেন্না অৱাবা পীরি। লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ পায়রিবা লাইরিক হৈরে হায়দুনা মীয়াম্না থাগৎলকখিবা মিনিষ্টরশিংনা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিংগী করি অফবা পায়খৎলবগে? মহৈরোয় লৈতবা স্কুলদা ওজা মশীং খঙদনা থমজিল্লি। মহৈরোয় য়াম্না তম্বা স্কুলদনা ওজা য়ামদনা থল্লি। মসিনি লৈঙাক পায়রিবা ঙসিগী ফম্নাইবশিংগী লমচৎ, হৈত্রবদি নফম থাদোক্লো।

ইম্ফাল সহরদসু, খুঙ্গংদসু লৈঙাক্কী স্কুল কয়া নাপীনা পীক থন্না হৌদুনা জঙ্গল ওইবা, ওজাসু লৈতবা, মহৈরোয়সু লৈতবা লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙ য়াম্না লৈরি। লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বী, লূপশিংনসু তূমিন্না য়েংদুনা অসুম লৈথোক্লি। লৈবাক অমা লান তৌদনা মাঙহনগে হায়রবদি লাইরিক তম্বগী চৎন-কাঙলোন থুগায়রবদি লৈবাক অদু মথন্তা মাঙখিগনি হায়বা ৱাফমদু খঙদব্রা? হুইয়েন লানপাউ পাউচেবু থৱায় য়াওনা পাবীরিবা খ্বাই পূম্নমকপু অইবীনা লাপ্পা খুরুমজরি। ●

# ইকায়বগী লম্বী

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

হৌজিক্কী ওফিসতা চে তান্নবসি লান অমা শোক্লবা চৎপগা চপ মান্নে। চাকঙন চারগা ওফিসতা চে অমা তান্নবা চৎলমদাই মীৎ উইশিন্দুনা লাই নীংবদা থবক য়াম্না চিঞ্জবী কেরানিগী মশক্তু ইমাঙদা ফন লাওনা চোংথোরকই। মথংদনা মমায় ইশুক শুকপা ওফিসরদুগী মতৌদু মীৎমাঙদা তন্দন ওইনা কোয়পাই পাই। থা অমা-অনী সুম চে তান্নবা ওফিসতা চৎলবদি দুকান ফম্বী ইবেম্মদুসু মীৎ উইশিনবদা য়াওশিল্লকই। থাদগী চহী হৌখিবা। ওফিসর য়ৌরক্লগা কেরানি লাক্তবা নুমিৎ। কুইশিল্লকপদৈ চেদুগী খোঙ্গুল লীফম খঙদদুনা থৱায় ৱারকপা মতুংদুদা ঐ ইশা ইথন্তা ইরাল লৈরবা মী ওইরবোই নীংলকই। ওফিসরদুনা ময়ূমদা ঙন্তা হন্নিংবা নুমিৎ থোক্তুনা- খুড়াগীদু হয়েং লাকপীরো হায়দুনা হায়ফেৎ নোকপা মাল্লগা হায়রকপা মীকূপ্তুদা নুংঙাইবসিদি মণিপুরসে ঐখোয়গী মণিপুর ওইরবোই নীংহল্লি। অসিগুম্বা নুংঙাইবসি করিদগী ফংলিবনো হায়রবদি অনৌবা চঙলকপা ওফিসরনা অরিবা লৈরম্বা ওফিসরদা হংবদা থবক খূদিংমকসি লোইনা লুবদগীনি। ওফিসর অরিবনা শুরম্বা থবকপু অরাইবনি হায়বদি য়াদে। পরিক্ষ্যাদা অরুবা ৱাহং হংবা ওজাদু অহৈবা ওজা মানবনিনা ওফিসরনা শুবা থবকমখৈ অরুবা ঙাক্তনি। লাইরিক হৈবা ওফিসরনা কিজনা লুরবা থবক্তুদি লাইরিক হৈজদবা মীচম মীয়ামদদি চুম্নগী লান নত্তে। পুন্সি অমগী লাঞ্জাওনি। প্রজাগা লান শোক্লনবা সরকারনা হাপ্পীরক্লিবা ওফিসরশিংদি ইমুং-মনুং শেলগী অৱাৎপা লৈতবদগী থবক করিমত্তা শুরক্তবা য়াওই হায়বসি ওফিসতা থবক অমত্তা শুদনা লৈবদু করিমত্তা ৱাদবদৈ খঙবা ঙম্মী। করিগুম্বা কান্দনা থবক চঙবৈ শেন্দোই হুনবদা নোংমগী থবক শুদবা য়াদবদৈ ইরাই লাইবা থবকসু য়াম্না লুনা শুরক্তুনা মীয়ামসু অরুবগী অরুবা ঙাক্তা ওই। হেক ঙম্বমখৈ মীয়াম ৱাই।



ওফিসতা চে তান্নবসি মশা শোনবা মীনগদি ঙমগদবা নত্তে। অহল ওইরবসু মশা মঔ ফবনা ওফিসতা চে তান্নগদবনি। চে থাজিনখিবা কুইবদগী থিবা খঙদদুনা লৈরকপদৈ কেরানি লাকপা নুমিৎ অমদা চেদুগী খোঙ্গুল রেজিষ্ট্রারদা তারম্লে হায়রকপদু মায় পাকপা হৌরবনি। করিগুম্বা নুমিৎ অমদনা ঐগী চেদু ওফিসরগী কাদা লৈখ্রে হেক খঙলবা নুমিত্তু অনীশুবা মায় পাকপগী মঙাল অমা থম্মোয়দা ঙাল্লবনি। মতাংদু নুংঙাইবগী তঙ্খায়নি। অদুদগী নোংমনা কেরানি লাক্তবা, নোংমনা ওফিসর থবক চিনবা হায়দুনা অমুক লৈখিবা য়াই। চে তান্নবা চৎপদা ওফিসরগা কেরানিগা পূন্না নুমিৎ অমত্তদা লৈরম্বা তাঞ্জাদা ওফিসকী গেট ময়াদা ফম্বা পান দুকান্দা চাবা ক্বাগী মহাওসিসু মথেল অমনি। ঐগী ক্বাদু মখূৎনা শেল্লিঙৈ মচিনসু পোত্থাদে। অহলসে য়াম্না তোয়না লাকপা উই, করি চে তান্নরিবনো হায়বদগী হৌরগা ওফিসরদগী চে থাদোরক্লবা করি করি তৌগদগে হায়বা ফাওবা য়াওনা মাগী অশেংবা থম্মোয়গী ৱাহৈ ফোঙদোরকই। মাগী ৱাহৈদুদগী ৱাখল তারক্তুনা কেরানি কাগী ক্বা মতপ অহুমগা ওফিসরগী তোঙানবা মতপ অমগা য়োমহল্লে। ক্বা ময়োমদুগা চঙবদদি ঐখোয়গী ওফিস হেক মাল্লি। ক্বাদু হাংদোক্লগা হুকচিন্দ্রৈঙৈদা ওফিসরগী কেরানিদুনা অহলগী চেসি ঙসি লোইশিনবা য়ারবনি, ঙসি নুমিৎ নীনি হুম্নিসি সাইবর দাওন তৌবনিনা উপাই লৈত্রে। খরা লৈরগা হেক্তা লাকপিরো। ৱাহৈসি খরা শোয়নরবসু হায়ফেৎ মান্নবা ৱাহৈ কয়া তারগা নুংঙাই নুংঙাইননি চেদুনা চহী অমা লোইরক্ত্রিবসি। নেটসু য়াবা, কেরানিসু কারকপা, ওফিসরসু ওফিসতা কুইনা ফম্বা নুমিৎ হায়বসে পাক-হেক থোকপা নত্তে। অসিগুম্বসি য়াম্না তাঙবা পূংফম্নি হায়বা ওফিসতা চে তান্নদবা মীনা খঙবা নত্তে। নুমিৎ অমদি ঐনা ওফিস য়ৌবদা মীনা চিক্ল-চায়নবা ঙমদে। ওফিসকী কেরানিদু অমুক্তা মশক উগে হোৎনবদা পূংখায় অমরোম চঙই। কাদুদা চঙলকপা মীদু য়ামনখিদুনা চৌকিদারনা মীয়ামদু থোঙজিল ৱাংমদা লৈহল্লি। চে তান্নবা লাকপা মীশিংগী চে থীফম খঙদবদৈ মশা মশা য়াওনা থিমিন্নরসি হায়রুবদগী কাদুদা লোইনা চঙলকপা ওইরম্মী। ঐগী চেদি ওফিসরগী কাদা লৈখ্রবনিনা খরা তপ্না চঙলগে হায়দুনা লাপ্তুক য়েংলগা লৈজে। তাঞ্জা অমা চাদুনা ঐ ওফিসরগী কা মনুং য়ৌরে। ঐগী চেগী নম্বরদু ওফিসরদুনা থৱায় চঙনা য়েংলগা চে অমা/অনী হাইগৎতুনা থী। অহলগী চেদু সিদা য়াওদ্রে। থাজিনখিবা চেদুগী কোপি অমা অমুক পুবীরকউ। ঐ শোয়দনা লোইশিনবীরগে হায়রকপদু ঐ থোকখ্রো হায়বনিনা অদুম থোরক্লে। ওফিস মনুংদৈ ইকায়রপ থোরকপদু কেরানিশিংদুগী মপা লাম্থোকপদা খরা হেন্না ইকায়রকই। দুকান মপাদুদি মীৎপু হনগৎনা য়েংলমদে। য়ূমদদি করম তৌবা !!! ●

# নেসনল স্পেস দে ২০২৪

- অধিকারিময়ূম গিতচন্দ্র শর্ম্মা -

ঙসি কুমজা ২০২৪গী ওগষ্ট ২৩ নুমিৎ অসি নেসনল স্পেস দে হায়না ইন্দিয়া শিন থুংনা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরি। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী নুমিৎ অসিদা ইন্দিয়ানা শাজবা স্পেক্রাফ্ট, চন্দ্রয়ান-থ্রীগী য়াম্না চাউনা মায় পাকপা ওইনা থাগী খা থংবা পোলর রিজনদা Shiva Shakti হায়না মিংথোল্লবা মফমদুদা Vikram Lander না অশোয়-অঙাম য়াওদনা তাবা ঙমখি অমসুং Pragayan Rover হায়রিবা শরুক অদুসু মথৌ পাঙথোকহন্ননবা থাগী লৈমাইদা থাদোকখি। নুমিৎ অদু ইন্দিয়াগী লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা স্পেস প্রোগ্রামদা খ্বাইদগী চাউনা শীংথানীংঙাই ওইবা নুমিৎ অমা ওইরম্মী। মরম অদুনা হায়রিবা নুমিৎ অসিগী য়াম্না মরু ওইবা অমদি মতুংদা ইন্দিয়ানা স্পেসকী লম্দা খুমাঙ চাওশিন্না পায়খৎলকপা থবকশিংদা হেন্না থৌনা অমসুং ঈনোৎ পীননবগীদমক চহী খুদিংগী ওগষ্ট ২৩ অসিবু "নেসনল স্পেস দে" হায়না পাঙথোক্লনবা ৱারেপ ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌখিবনি। নেসনল স্পেস দেগী থৌরম অসি ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কোর্ট হোলদা অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরি।

নেসনল স্পেস দে ২০২৪গী থিমদি 'Touching Lives while Touching the Moon: India's Space Saga' হায়বদি জাতিগী স্পেসকী নুমিৎ ২০২৪গী থিমদি থাদা খোঙদাবদা মীওইবগী পূন্সিগা শম্নবা : ইন্দিয়াগী স্পেসকী তাঙ্কক হায়না পনবা য়াই।

হন্দক্কী থৌরম অসিনা মরু ওইনা ইন্দিয়ানা স্পেসকী লম্দা মখল-মখা কয়াগী থিজিন-খোৎচিল্লকপা অমদি য়াম্না চাউনা মায় পাক্লকখিবা কয়া অদু লৈবাক মীয়াম শিন থুংনা খঙহনবা অমসুং নহাশিংবু য়াম্না পূক্নিং থৌগৎহন্ননবা হোৎনরি। লোয়ননা হন্দক্কী থিম অসিনা মপূং ওইনা স্পেসকী লম্দা থিজিন্দুনা পুথোরক্লিবা কয়া অসিনা ঐখোয় মীওইবগী পূন্সি অমসুং খুন্নাইদা নত্তনা টেক্নোলোজিদা পুরক্লিবা কান্নবা কয়ামরুমগী মতাংশিংদা হেন্না মীয়াম্বু খঙহন্নবা হোৎনরি।

নেসনল স্পেস দে ২০২৪গা মরী লৈননা ইন্দিয়ন স্পেস রিছর্স ওর্গনাইজেসননা পায়খৎলিবা থবক-থৌরাং কয়াগী মনুংদা পনবা য়াবা অমদি ISRO's Robotic challenge 2024 হায়বা অসিনি। রোবোটিক চেলেঞ্জ হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি কুমজা ২০২৩গী নবেম্বর ৮দগী হৌদোরকখি। মসিগীদমক Let's build a space robot হায়বা অসিদা মীৎয়েং থমদুনা ইন্সটিট্যুসনশিংদা টিমশিং শেমদুনা Extraterrestrial impired arena দা শীজিন্নবা য়াবা স্পেস রোবোটশিং শানবগীদমক চহী নৌরিবা কুমজা ২০২৩গী ওগষ্ট ২৩ ফাওবদা মশাগী চহী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা গ্রেজুএসন/পোষ্ট গ্রেজুএসন নৎত্রগা রিছর্স তৌরিবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াগদবা প্রোজেক্টনি। হায়রিবা চাংয়েংনবা অসিগী অরোইবা ফাইনেল তৌফম অসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা U.R. RAO Satellite Centre গী কেম্পসতা ওইগনি।

অতোপ্পা পনবা য়াবা ৱাফম অমদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ামরুমগী




নহাশিংনা পূন্না উনদুনা শরুক য়াগদবা খুদোংচাবা অমদি The World Robot Olympiad (WRO) International championship অসিনি। হায়রিবা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা রোবোটিক্স কম্পিটিসন অসি চৎলিবা কুমজা ২০২৪গী নবেম্বর ২৮দগী ৩০ ফাওবদা Turkiye গী IZMIR দা পাঙথোক্কদৌরি।

ইন্দিয়াগী নেসনল স্পেস দেগী ৱাফম খন্নরকপগা ইরোয়ননা পনবা য়াবা ৱাফম অমনা চহী খুদিংগী মেগী ৫দা অমেরিকাদা পাঙথোক্লিবা National Astronaut Day অসিনি। কুমজা ১৯৬১গী মে ৫দা অমেরিকাগী Astronaut Alan Shepard না পাইলোট ওইদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অহানবা মী য়াওবা Space Flight ওইখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী ওইনা মে ৫বু হৌখিবা কুমজা ২০১৭তগী হৌদুনা National Astronaut Day ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অমরোমদা, মালেমগী থাক্তা চহী খুদিংগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অমা হায়বা তারবদি ওক্টোবর ৪দগী ১০ ফাওবদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড স্পেস ৱীক অসিনি। মালেমগী ওইনা পাঙথোক্লিবা অচৌবা থৌরম অসিনা লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা স্পেসকী লম্দা থিজিনবদা মতেং পীনবা, মহৈরোয়শিংবু স্পেস এক্সপ্লোরেসন প্রোগ্রামদা পূক্নিং চীংশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মীয়ামগী মতেং মপূং ফানা ফংননবা হোৎনবা অমসুং স্পেসকী মরমদা থিজিন্দুনা পুথোরক্লিবা ৱাফমশিং অমদি মহৈশিং মীওইবগী পূন্সি মহিংদা হান্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া থল্লি। হায়রিবা ৱর্ল্ড স্পেস ৱীক অসি পাঙথোকপনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কুমজা ১৯৯৯দা মসিগী জেনরেল এসেমব্লিনা লাউথোকখিবনি। অদুগা ওক্টোবর ৪দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি কুমজা ১৯৫৭কী ওক্টোবর ৪দা ইহান হানবা ওইনা মীওইবনা শাজবা Earth Satellite Sputnik-1 বু স্পেসতা লোঞ্চ তৌখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা ৱর্ল্ড স্পেস ৱীক অসি ওক্টোবর ৪দগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবনি।

মীওইবনা তাইবঙপান য়ুনিভর্সকী মনুংদা লৈরিবা মখল-মখা কয়াগী Celestial Body, Galaxy, থৱান্মীচাক, সোলর সিষ্টম অমদি শকউদবা Dark Matter নচিংবশিংগী মরমদা লেপ্তুনা থিজিল্লকপা অসিনসু Astrophysics, Astronomy অমদি Cosmology গী লম্দসু য়াম্না চাউনা কান্নবা পীরিবনি। লোয়ননা থিজিল্লিবা অসিগী মহয় ওইনা অনৌবা মীরোলগী ওইবা Artist, Thinker, Scientist নচিংবা কয়ামরুম থোরক্লবা মরম অমসু ওইরিবনি। ঐখোয় মীওইবনা লৈরিবা মালেম অসি স্পেসতগী য়েংলক্তুনা থিজিনবদা ওজোন লেয়রদা অহোবা মফম লৈরে হায়বদু কুমজা ১৯৮৭তা খঙবা ঙমখি অমসুং ওজোন লেয়রগী ফীভম ফনা থম্ননবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙমখি। ঙসিদি স্পেসকী লম্দা অফ-অফবা স্পেসক্রাফ্ট, স্পেসপ্রোব, সেটিলাইট, ষ্টেট-ওফ-দি-আর্ট টেলেসকোপনচিংবা মখল কয়াগী টেক্নোলোজিগী পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা থিজিনবগী থবক হেন্না খুমাঙ চাওশিল্লক্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১) **"ঐখোয় অনীগী অনৌবা সংসার"** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) **"শ্রীগোবিন্দ লীলামৃতম" (২০২২)** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"খোঙচৎ মপান্নাইদবগী"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) **"ইরানয়াইদা'** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা অসি কনানো?

৫) **"নাকেন্থাগী য়েন্নীং"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।